# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 24-04-2024)**

**ভোট (এল)ঃ** লোক সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোট খোম্বগী থবক ঙসি নুংথিল লোইরগনি।

তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দল অমসুং লুচিংবা কয়ানা ভোটরশিংগী পুকি ং চিংশিন্নবা ঙমজবী থাদুনা ভোট খোম্লি। লাক্লিবা হরাই নুমিৎতা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি ১৩ গী লোক সভা সিট ৮৯ দা ভোট থাদনগনি।

মনিপুরগী আউটর লোক সভা কেন্দ্রগী ওইনসু অনিশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দা ভোট থাদনগনি। আউটরগী সিটতা পুন্না মীরেপ মরিনা লম্বা তৌনরি। মীরেশিং অদুদি-নাগা পিপলস ফ্রন্টকী কাইচুই তিমোথি জিমিক, ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী অলফ্রেদ কে. অর্থর অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অনি- ডাঃ এলিসন অবোনমাই অমদি এস. খো জোন পুন্না মীরেপ মরিনা লম্বা থেংনরি।

মীখল অসিদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিং মাগী মাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা খোংশান্নখ্রে। অনিশুবা তাঙ্কক অসিদা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ অসিগী মনুংদা জিরিবাম, তেংনৌপল, ফুংয়ার, উখ্রুল, চিঙাই, কারোং, মাও, তাদুবী, তমেংলোং, নুঙবা, তিপাইমুখ অমদি থালোন য়াওরি।

**এবিভিপি (এল)ঃ** অখিল ভারত্তিয়া বিদারথি পরিষদ মনিপুরনা লুচিংদুনা নোনে অমদি লোংমাইদা ভোট খোম্বগী থবক চথুরি। পরিষদ অসিগী ষ্টেট জোইন্ট সেক্রেটরি-রাজেন গোনমৈনা লুচিংদুনা চথুরিবা কেম্পেইন অসিনা ইলেক্তোরেল প্রোসেসতা নহাশিংবু মপাঙ্গল লৈহন্নবা পান্দম থল্লি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট জোইন্ট সেক্রেটরি-রাজেননা হায়-

লৈবাক অসিগী গনতন্ত্রগী মরাইবক অসি নহাশিংগী খুৎতা লৈ। ইলেক্টোরেল প্রোসেসতা নহাশিং মপুং ফানা শরুক য়াহনদুনা লৈবাক অসি অফবা মায়কৈদা পুরকপা ঙমগদৌরিবনি। মরম অসিনা লাক্লিবা মীখল অসিদা নহাশিংবু মখোয়গী ভোট থাদবগী হক অদু শিন্নদুনা মপাঙ্গল লৈবা লমদম অমা ওইহন্নবা পান্দম থল্লি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসি লাকশিন্নবা সেক্রেরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না ঙরাং কাংপোকপী জিলাগী গাংপিজাংগী চিংশাং পরেংদা থিবা হুন্বগী থবক চথুবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-মেগজিনগা লোয়নবা এসোল্ট রাইফল অমা, টুয়েল্ব ইঞ্চিকী সিঙ্গল বোর বেরেল নোংমৈ অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু ২৩ অমদি কাপথোকখ্রবা নোংমৈ মরুগী তোকনিং মঙা য়াওরি। পাউ অসিনা মখা তানা হায়-জিরিবাম জিলাদসু লম্বীদা লাকপা মীওই চেক তৌবগী থবক চথুবদা লৈঙাংপোকপীদা লৈবা পুলিস আউট পোষ্টকী গেট মনাক্তগী মীওই অমা খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে। মীওই অসিদগী কন্ত্রিমেট রাইফল অমা, মেগজিন অমা, রাইফলগী বথ অমা, শেল ওইনা লুপা লিশিং ১৩ সু ফাগৎপা ঙমখি।

**অমুকো(এল)ঃ** ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) অমদি থাংমৈবন্দ য়ুনাইটে ক্লব অনিনা খুৎশমননা শিনদুনা থাংমৈবন্দগী চৈরাউ চিংদা লৈবা অথৌবশিংগী খুভমদা হৈকৎ লৈকাই তমদুনা খোংজোম লান থৌরমদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মৈরা পায়বী, মহৈরোই লুপ অমদি তোঙান তোঙানবা লুপশিংগী মীওইশিং শরুক য়াখি।

**লাল্লোং(এল)ঃ** অপুনবা মনিপুরি হুয়েন লাংলোন লুপনা শিনদুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা থোংজ্ পার্ট টুদা লৈবা সোসিএল এদুকেস্নেল ভোলুন্টরি এঠলেটিক (সেবা) ক্লবতা নুমিৎ নিনি চুপা চথরকখিবা অহুমলক শুবা ষ্টেট লেবেল ইবুধৌ পাউনা নীংশিং হুইয়েন লানলোং য়েনদমবা ঙরাং লোয়শিনখ্রে। থৌরম অসি পাউনা ব্রজাবাসিগী মফমদা ঙমজবা হে লৈ কৎতুনা নৌনা হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা ইপা ইপুশিংনা চৎনরম্বা চৎন-কাংলোন, থৌনা লিংজেল, মরৈবাক নীংবগী ৱাখল্লোন অদু লৈহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা শরুক য়াখিবশিংনা পাউনা ব্রজাবাসিগী ফোটোদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমখি।

**অমিত ঃ** বি.জে.পিগী লুচিংবা অমিত সাহ, নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙসি নুংথিল বরানাসিদা থুংগনি। উত্তর প্রদেসকী তুলশি উতয়ানদা লৈবা বরানাসি লোক সভা কেন্দ্রগী সেন্ট্রেল ইলেক্সন ওফিস শ্রী সাহনা শঙ্গাগনি।

মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা শ্রী সাহনা বরানাসিগী বিধান সভা কেন্দ্র মঙাগী দলগী করিয়াকরতাশিংগা উন্নগনি। থৌরম অদুদা রাজ্যগী মুখ্য মন্ত্রি-যোগী অদিত্যনাথ, উপ মুখ্য মন্ত্রিশিং, বি.জে.পিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট অমদি করিয়াকরতাশিং শরুক য়াগনি।

**লোক ঃ** লোক সভা মীখলগী অহুমশুবা তাঙ্কক্কী রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ১২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা পুন্না মীরেপ লিশিং ১,৩৫১ না লম্বা তৌনগনি।

কম্মিসনগী পাউনা হায়-তাঙ্কক অসিগীদমক্তা পুন্না মীরেপ লিশিং ২,৯৬৩ না মখোয়গী মীরেপ চেশিং পীশিনখিবনি। মীরেপ চেশিং অদু স্ক্রুতিনি তৌরবা মতুংদা মীরেপ লিশিং ১,৫৩৬ য়াখিবনি। তাঙ্কক অসিগী মীখল মথং থাগী

তরেৎতা পাঙথোক্কনি।

**ইয়ারলাইনঃ** লৈবাক অসিগী দাইরেক্তর জেনরেল ওফ সিভিল এভিয়েসননা ফ্লাইটতা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা চহি ১২ গী মখাদা লৈরিবা অঙাংশিংগী ওইবা অনৌবা নিয়ম অমা লাউথোকখ্রে।

নৌনা চৎনগদবা নিয়মশিং অদুগী মতুং ইন্না পি.এন.আর. নম্বর অমখক্তদা টিকেৎ কক্লিবা মমা-মপা নৎত্রগা মহাক্কী লোয়নরিবা ইমুং মনুংগী মীওই অদুগা হায়রিবা চহি ১২ গী অঙাং অদুগা সিট থংননা ফম্মীন্নগদবনি। চহি ১২ গী মখাদা লৈবা অঙাংশিং ফ্লাইট তোংদুনা চৎথোক চৎশিন তৌবা মতমদা মখোয়গা লোয়নরকপা মমা-মপাশিং অদুগা তোঙান তোঙাননা সিটতা ফম্মীন্নবগী ৱাকৎশিং লাকপদগী হায়রিবা নিয়ম অসি চৎনরকপনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ষ্টেটকী থাক্তা খোংজোম লান নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখিবগী পাউ, নেসনেল হায়ৱে ৩৭ দা কনভোই চৎপগী এস.ও.পি. থোকখ্রে অমদি লোক সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্তা ভোট থাদগদবা মফমশিংদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিং লমথাখ্রে, ভোট খোম্বগী থবক ঙসি লোয়রে হায়বা পাউনা মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

পোকফমদা-মনিপুরগী অরোইবা নীংতম লানদা থৱায় কৎখিবা ইপা ইপুশিংবু ষ্টেটকী থাক্তা ইকায় খুমবা উৎখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গভনরনা লুচিংদুনা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা খোংজোম লান নীংশিং থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ, মনিপুর ন্যুজ, নহারোলগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সনা লৈবাক, সঙাই

এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মনিপুরি এদিসন, পিপলস ক্রোনিকল অমদি মনিপুর মেলদসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

দ্রাইভরশিংগী খোঙজং হন্দোকখিবগী পাউগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ দা কনভোই চৎপগী এস.ও.পি. থোকখ্রে। এট্টেক হেক তৌরকপদা থিন্থবা তৌদনা খুৎ হন্নবা ৱাফম য়াওরি হায়বা পাউনা পোকফম পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সনা লৈবাক, হুইয়েন লানপাউ, মনিপুর ন্যুজ অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-লৈঙাক্কা য়ান্নবদগী ওইল টেঙ্করশিং চৎপা হৌরগনি। দ্রাইভরশিংদা ৱাকি টোক্কি পীরগনি, ফোর্স হেন্না থম্লগনি হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। সেকমাইদা কুকিগা মীতৈ খুল ঙাকপশিংনা নোংমৈ কাপখ্রে হায়বা অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি পোকফম, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, ঈচেল এক্সপ্রেস, নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউ, মনিপুর ন্যুজ, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-খোংজোম লান নীংশিং থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউগা লোয়ননা ঐখোয়দা ৱাৎলিবা অসি মায়কৈ চুমা পুনশিনবা ঙমদবসিনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। ইম্ফাল মনুংদা খামনিংবা মওংদা গাড়ি খাম্বদা য়েংশিনবীনবা লৈত্রে হায়বা পাউ অমসু অখন্নবা পাউ ওইনা এঙ্কর কলমদা ফোংলি। বোর্ডর সিল্ড তৌরবসু চিন কুকিশিং চংশিল্লকপা লেপত্রি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-খোংজোম লান নীংশিং থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউগা লোয়ননা মায়থিগনি খঙলবসু অথৌবশিংনা মায় লৈদুনা চেনখিদে হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। ককচিংগী মচিন-মনাও চিং ঙাক শেনদুনা থম্বা তঙাইফদ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

হুইয়েন লানপাউদা-খোংজোম লান নীংশিং থৌরমদা গভনরনা লুচিংদুনা মনিপুরগী নীংতম লানদা থৱায় কৎখ্রবশিং ইকায় খুমবা উৎখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা থবক লৌখৎপিয়ু হায়বা ইন্দিয়া ব্লোক মনিপুরগী ৱাফম অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজতা-ঐখোয় মশেলগী মরক্তা হুন্নবা ঙাংনবা লেপ্পগা মাংদা তারিবশিং মতৌ করমা কনমীন্নসিগে হায়বরোমদা হোৎনমীন্নসি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। টেঙ্কর দ্রাইভরশিংগী খোঙজং হন্দোকখ্রে, ফুল সেক্যুরিতি কোভর তৌরগনি, এম্বুশ চথরকপশিং খুদক্তা খুৎ হনগদৌরি হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-সেকমাইরোমদা কাপশিল্লকপদগী কাপখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। শেল য়েন্দ্রসু মায় পাকপা ঙম্মী উৎকদবা মীখলনি হায়বা ইন্দিয়া ব্লোক্কী ৱাফম এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-লোক সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোট খোম্বা ঙসি লোয়রগনি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-তমেংলোং অমসুং ফেরজোলদা অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখল পাঙথোকবা শেম শাবা লোয়রে, পোল্লিং ওফিসিএলশিং লমথাখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। মীখলগী শেম শাবা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু মপুং ফানা লোয়শিল্লক্লে হায়বা পাউ অসি চাম অমসুং মনিপুর মেলদসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-লোক সভা মীখলগী মাংওইননা বোর্ডর সিল্ড তৌখ্রে অমদি য়ুনাইটেদ নেসন্স হেদক্বাটরদা মনিপুরগী ইশ্যু পুখৎখ্রে হায়বা পাউশিং অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-এপ্রিল ২৬ অসি সেনাপতি টাউন্দদা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা লৈগনি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতি জিলাগী অপুনবা পোল্লিং ষ্টেসন ২২৮ গী মনুংদা ৮১ দি নুপী খক্তনা মথৌ তৌগনি হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-ফ্রি এন্দ ফয়ার ওইবা মীখল অমা ওইহন্নবা অমুক হন্না ভোট থাদনহনখিবা অদুগীদমক ইন্দিয়া ব্লোক মনিপুর য়ুনিটনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-ইন্দিয়াগী এম.দি.ঐচ. অমসুং এভরেষ্ট মসালাদা কেন্সর থোকহনবা য়াবা কেমিকেল য়াওই হায়বদগী য়েংশিনবগী থবক চত্থরি হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

------